থোংজু এ সীগী মনুং চন্না লৈবা মফমশিংদা কোভিদ-১৯না নারবা মীওইশিংনা ওক্সিজেন মথৌ তারকপদা এ সী অসিগী মীরেপ ওইগদৌরিবা এস প্রেশয়োজিৎগী মীৎয়েং মখাদা থোংজু কেন্দ্র কোভিদ-১৯ ৱারিয়র্স টিমনা ওক্সিজেন ফংহনখিবা

কোভিদ এৱ্যেয়র্নেস কম এনফোর্সমেন্ট কম্মিটি লম্লাই এ সীগী চ্যেরপর্সন এ যামিনিনা লুচিংদুনা কম্মিটি অসিগী মেম্বরশিংনা এ সী অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা সী ঐচ আই সীশিংগী ফীভম য়েংশিনখিবা

বি জে পিগী সেভা হি সংঘথনগী শরুক অমা ওইনা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ষ্টেট এগজিক্যুটিভ মেম্বর ওইরিবা আর কে আনন্দনা মেকোলা পি ঐচ সীদা মাস্ক, সোদিয়ম হায়পোক্লোরাইট, গ্লোভ অমদি সেনিটাইজর খুৎশিন্নখিবা

লৈবাকসিগী পি এম ওইরম্বা রজিভ গান্ধী লৈখিদবগী কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা থৌবাল অমসুং খাঙবোক এ সীগী আইসোলেসন সেন্টরশিংদা এম এল এ ওক্রম সুর্য্যকুমারনা ওক্সিজেন কন্সেন্ট্রেটর য়াওনা পোৎলম কয়া খুৎশিন্নখিবা

পন্থৌগী লীক্লমনা বেষ্ট সোর্ট ফিল্ম তারকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচএনএস) :

মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং অমদি নেসনল ফিল্ম দিভেলপমেন্ট কোর্পোরেসন (এন এফ দি সী)না ওর্গনাইজ তৌবা 'পরাক্রম দিৱস'- নেতাজি সুভাশ চন্দ্র বোসকী বার্থ এন্নিভর্সরিগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকপা ওনলাইন সোর্ট ফিল্ম কম্পিটিসন 'সোর্ট ফিল্ম কম্পিটিসন ওন নেতাজি'স দ্রীম ফোর ইন্দিয়া'দা মণিপুরী সোর্ট ফিল্ম 'পন্থৌগী লীক্লম' (ফুটপ্রিন্টস ওফ দি ফাদর)না বেষ্ট সোর্ট ফিল্ম তারকখ্রে। সোর্ট ফিল্ম অসি রাকেশ মোইরাংথেমনা দিরেক্সন পীবনি। প্রদ্যুসরনা সুরজ খোংবান্তাবমনি। ফিল্ম অসিদা এক্ট্রেস তোম্বোইনা এক্ট তৌরি। এৱার্দ অসি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী ৱেব পোর্টেল মায় গোভ হায়বা অসিদা ঙরাং লাউথোরকখিবনি। এৱার্দ অসিদা কেস প্রাইজ ওইনা লুপা লাখ ২গী শেনফমসু য়াওরি।

থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচএনএস) :

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী কৈরাও এ সীগী মনুং চনবা ক্যামগৈ মুস্লিম অৱাং লৈকায়গী পোল্লিং ষ্টেসন নম্বর ৬/৮গী লম্বী ঙসি সোসল ৱর্কর এম আই খাননা শেমজিনখ্রে।

লম্বী শেমজিনবা অদুদা শরুক য়াখিবা ক্যামগৈ মুস্লিম জি পিগী এক্স-উপ-প্রধান অব্দুল কাহেরনা হায়খি, লম্বী অসি চহী ৩/৪গী মমাঙদগী তুরেল লৌনম্বাল নমথখিবদগী মীয়াম্না অৱাবা কয়া মায়োক্লদুনা লাক্লিবনি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটি তাবা লাইফ লাইন ওইরিবা লম্বী অসি নোং খজিক্তং তাবগা লৈখোম থোক্তুনা খোঙনা ফাওবা চৎপা য়াদনা লৈরকখিবনি। অদুবু ঙরাং নুমীদাংদা লৈকায় অসিগী অহল অমদি নহারোল কয়ানা চৎতুনা সোসল ৱর্কর এম আই খানদা হায়জরুবগা ঙসি অয়ুক নুঙ থাদুনা শেমজিনবীবা অসিদা নুংঙাইবা অমদি থাগৎপা ফোঙদোকচরি। পুকচেল চাউরবা সোসল ৱর্কর এম আই খাননা তৌরু-তৌরুবা খূদিংমক মপুনা মায় পাকপা ওইহনবীসনু হায়না দুৱাসু তৌজরি হায়বা ৱাফম থল্লক্লি।

কোভিদ টেষ্ট তৌখ্রে

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচ এন এস) :

চীফ মেদিকেল ওফিসার ইম্ফাল ৱেষ্টকী মীৎয়েং মখাদা দ য়ুথস কলচরেল এন্দ ৱেলফ্যের ওর্গনাইজেসন (ৱাই সী দব্লিয়ু ও) হৈনৌপোক, আশা হৈনৌপোক, য়াইফ লমজিং ক্লব (ৱাই এল সী) লাংজিং মখা লৈকায় অমদি আশা লাংজিং মখা লৈকায়না পূন্না শীনমিন্নদুনা ঙসি হৈনৌপোক লৈকায়দা লৈবা ইমা য়ুমজাউ লাইরেম্বী কম্মুনিতি হোলদা কোভিদ টেষ্ট কেম্পেইন অমা পাঙথোকখ্রে হায়না ৱাই সী দব্লিয়ু ওগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

কেম্পেইন অদুদা পুন্না মীওই ১০৮ টেষ্ট তৌবগী মনুংদা মীওই ২৯ পোজিটিব ওইবা থেংনখি। ঙসি টেষ্ট তৌখিবশিং অদুগী মনুংদা হৈনৌপোক লৈকায়দগী কোভিদ পেসেন্ট ২০গা লোয়ননা অনৌবা মীওই ৭৭ অমসুং লাংজিং মখা লৈকায়দগী কোভিদ পেসেন্ট ৯গা লোয়ননা অনৌবা মীওই ৩০নি হায়রি। হৌজিকফাওবগী ওইনা হৈনৌপোক লৈকায়গী কোভিদ পোজিটিব ওইবা মীওই ৪৭ শুরে হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

'ব্লেক দে শৌগৎলি'

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচ এন এস) :

নরেন্দ্র মোদি লৈঙাক্না নম্ফুদা ফার্ম বিল অহুম পাস তৌখিবা থা ৬ মপুং ফারকপগা মরী লৈননা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা লৌমী লূপশিংগী অপূনবা ওর্গনাইজেসন অমা ওইরিবা সংযুক্তা কিষান মোর্চানা লাক্লিবা মে ২৬তা পাঙথোক্কদৌরিবা ব্লেক দে থৌরমদা ওল ইন্দিয়া ট্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেস (এ আই টি য়ু সী), মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিনা মপুং ফানা শৌগৎলি। ব্লেক দে থৌরম অসি কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভনা মীয়াম হুপ্পা পাঙথোকপগী খুদোংচাবা ফংদ্রবসু শু-নোল্লিবা পুম্নমক্না নুমীৎ অসিদা শিনশঙ নৎত্রগা ঈশাগী য়ুমদা অমুবা বেজ থেৎতুনা লৌমীশিংবু পূক্নিং থৌগৎপীয়ু। ইমপ্লোয়ীজ য়ুনিয়নশিংনসু থবক মফমদা অমুবা বেজ থেৎতুনা য়ানিংদে হায়বদু খঙহনসি হায়না এ আই টি য়ু সী মণিপুরগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

তমথিরবা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ অসিদগী ঙাকথোক্লবা ঐখোয় পুন্না লান্থেংমিন্নসি : সুর্য্যকুমার

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচএনএস):

মণিপুরদা লৈরিবা মীয়াম খূদিংমক য়ুম-য়ুমদগী চৎথোকপীদনা য়াম্না তোয়না খুৎ-শা চামথোকপীদুনা চেকশিন্না লৈমিন্নসি হায়না খাঙবোক এসেম্ব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিগী এম এল এ ওক্রম সুর্য্যকুমারনা মীয়ামদা আপীল তৌরদুনা হৌজিক লাক্লিবা তমথীরবা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ অসিনা হেন্না খুদোংথিনিংঙাই ওইবনিনা লায়না অসিদগী ঙাকথোকমিন্ননবা ঐখোয় পুন্না লান্থেংমিন্নসি হায়খি।

ঙসি থৌবালগী কোংগ্রেস ভবনদা লৈঙাক্কী এস ও পি ঙাক্না পাঙথোকখিবা হান্না প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বা কোংগ্রেসকী লিদর রজিব গান্ধী লৈখিদবগী ৩০শুবা কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা থৌবাল অমসুং খাঙবোক এ সীগী আইসোলেসন সেন্টরশিংদা খুদোল তম্বগী থৌরমদা এম এল এ সুর্য্যকুমারনা মথক্কী ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়খি, কোংগ্রেসকী লুচিংবা অসিনা লৈখিদবগী নীংশিংবা নুমীৎ অসিগা মরী লৈননা কোভিদকী চৈথেং ফংলবা ইমুংশিংদা মাস্ক, সেনিটাইজর, আই বি সিরপ অমসুং মল্টি ভিটামিন টেব্লেটনচিংবা পোৎলমশিং পার্টিনা খুদোল তমজবনি অমদি থৌবাল অমসুং খাঙবোক এ সীগী কম্মুনিটি আইসোলেসন সেন্টরশিংদা ওক্সিজেন কন্সেন্ট্রেটরশিং পীজবনি। লোয়ননা আইসোলেসন সেন্টরশিং অসিদা লৈরিবশিংদা ঙসি অয়ুক্কী চাক্লেন অমসু পীজবনি হায়খি।

ঙসিগী নুমীৎ অসিগা মরী লৈননা থৌবালগী কোংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা লৈখিদ্রবা হান্না প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বা কোংগ্রেসকী লিদর রজিব গান্ধীগী ফোটোদা এম এল এ ওক্রম সুর্য্যকুমারনা লুচিংদুনা লৈ কৎখি। তুংদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদসু চৎতুনা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অসিদসু ওক্সিজেন কন্সেন্ট্রেটর ৩ অমসুং ঈশিং হাপ্পবা সিন্টেক্স ২সু খুদোল তমখি।

'ওক্সিজেনগী খুদোংচাবা ফংবা ফমুং ২০দা হেনগৎলে'

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচএনএস): ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী কোভিদ ক্যের সেন্টর ওক্সিজেনগী খুদোংচাবা ফংবা ফমুং ৮ খক্তং লৈরম্বা অদু ২০দা হেনগৎহল্লে হায়না ককচিং এসেম্ব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিগী এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা ফোঙদোরক্লি।

ককচিং এ সীগী এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা বি জে পি ককচিং মন্দলগা খুৎশম্নদুনা কোরোনা ভাইরস (কোভিদ-১৯) দগী ঙাকথোক্লবা কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈরিবা মফমশিংদা সোদিয়ম হায়পোক্লোরাইট কাপথোকপগী মখা চত্থরকপা ওইনা ঙসিসু ককচিংগী মফম কয়াদা সোদিয়ম হায়পোক্লোরাইট কাপথোক্লদুনা এম এল এনা মথক্কী ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, লমদম অসিদা কর্ফিয়ু লৈনা লৈনা পোজিটিভ ওইবা অমসুং মী শিবগী চাংসু অদুম্মক হেনগৎলক্লি। লাইচৎ অসি থিংননবগী মতেং ওইনবগীদমক কন্টেনমেন্ট জোনশিংদা সোদিয়ম হায়পোক্লোরাইট কাপ্পা অমসুং অমোৎ-অকায়শিং শেংদোক্লবগী থৌরাংসু লৌখৎলি। চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংলিবা লৈঙাক অসিনসু হোৎনবা য়াবা কয়া হোৎনবীরি। লৈঙাক্নসু লাইচৎ অসিবু থেংননবা চঙশিল্লক্লিবা থবকশিংগী মনুং চন্না ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা ককচিং হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা হাংলিবা কোভিদ ক্যের সেন্টর অসিদা হান্না ওক্সিজেন সিলিন্দর ৫ খক্তং লৈরম্বা অদু অনৌবা ওক্সিজেন সিলিন্দর ৮ অমা লৈঙাক্না পীবীরকপদগী পুন্না ১৩ শুরে। ওক্সিজেন পীবা য়াবা ফমুং ৮ খক্তং লৈরম্বা অদুসু ১২ অমগা নৌনা অমুক হাপচিন্দুনা পুন্না ওক্সিজেন শীজিন্নবা য়াবা ফমুং ২০ লৈরে।

মীয়াম্নসু লাইচৎ অসিবু থেংননবা হোৎনবদা লৈঙাক্না পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং অসিদা ঐখোয় খূদিংমক্না মতেং পাংশিল্লসি। লাইচৎ অসি মালেমদগী মুথৎনবা ঐখোয় খূদিংগী অঙম-অঙম্বা থৌদাং লৌমিন্নরসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

কোভিদ এৱ্যেয়র্নেস কম এনফোর্সমেন্ট কম্মিটি শেমখ্রে

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচএনএস):

কোভিদ এৱ্যেয়র্নেস কম এনফোর্সমেন্ট কম্মিটি লম্লাই এসেম্ব্লী কনষ্টিট্যুএন্সি হৌখিবা মে ৩দা শওম্বুং এস দি ওগী ওফিসতা লৈঙাক্না পীবা য়াথং ঙাক্না শেমখ্রে হায়রি।

কম্মিটি অসিগী চ্যেরপর্সন ওইরিবা তেল্লৌ চনা সৈজাং জিলা পরিষদ মেম্বর এ যামিনিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কম্মিটি অসিগী মীৎয়েং মখাদা লম্লাই এ সীদা লৈবা মফম তরেৎতা কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টর হাংদুনা নীংথিনা মথৌ তৌরি। কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভঅসি লান্থেংননবা কোভিদ ফ্রী লম্লাই এ সী ওইহন্নবসু হোৎনরি। কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টরশিং অসি বিরমঙ্গোল কোলেজ শওম্বুং, লম্লাই হায়র সেকেন্দরি স্কুল, লম্লাই প্রাইমারী স্কুল, বাল বিদ্যা মন্দির তখেল, কামেং প্রাইমারী স্কুল, চীং-তম হায় স্কুল য়াইঙংপোকপী অমসুং য়ৌরবুং হায় স্কুলদা হাংলি।

কম্মিটি অসিগী চ্যেরপর্সন ওইরিবা তেল্লৌ চনা সৈজাংগী জেদ পি মেম্বর এ যামিনিনা লুচিংদুনা শওম্বুংগী জেদ পি মেম্বর আই রবিচন্দ্র, তখেল জি পিগী প্রধান এন নিংথেম, নোঙ্গ্রেন চীংনুংখোক জি পিগী প্রধান এম বিলাশিনি, তেল্লৌ চনা সৈজাং জি পিগী প্রধান ঐচ নিমাই, পুংদোংবম জি পিগী প্রধান আই সুন্দরি, শওম্বুং জি পিগী প্রধান এন ধনেশ্বরনা সী ঐচ আই সী তরেৎ অসিদা চৎতুনা ইনমেটশিং অমদি ভলন্টিয়রশিংগা উনদুনা অৱাৎ-অপাশিং য়েংশিনবগা লোয়ননা সী ঐচ আই সীশিং অদু চলাইবদা মতেং ওইনা শেলগী তেংবাঙসু পীখ্রে।

খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা এ যামিনিনা ফোঙদোকখিবদা, কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ থেংনবদা ইশা-ইশানা চেকশিঞ্জবনা হিদাক ওইরবনি। লৈঙাক্তা তায়নবগী মহুৎতা ঐ ঐগী থৌদাং মপুং ফানা লৌমিন্নসি। লোয়ননা এ সী অসিগী ওইনা হাংদোক্লিবা সী ঐচ আই সীশিং অসিদা অৱাৎ-অপা অমত্তা লৈহন্দনবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনগনি হায়নসু ফোঙদোকখি হায়রি।

য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচএনএস) :

নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া দিভেলপমেন্ট পার্টি (এন ঈ আই দি পি) মণিপুর ষ্টেটকী জেনরেল সেক্রেটরি গোপেন থোঙ্গ্রামনা কৈরাও এ সীগী মনুংদা লৈরিবা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভনা শোকহল্লবা লংদুম, কৈরাও, খনরোক, চনম চন্দ্রোক, থিয়াম কোঞ্জিল অমসুং অরাপতিগী কন্টেনমেন্ট জোন ওইনা লাউথোকখ্রবা মফমশিংদা লৈরিবা ইমুং ২৮০ রোমদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়াওনা নোংমদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলম কয়া তেংবাঙ ওইনা য়েন্থোকখ্রে। মখা তনসু তেংবাঙ পোৎলমশিং অসি অৱাবা তারবা ইমুংশিংদা য়েন্থোকখিগনি হায়রি।

'কনাগুম্বা অমত্তদা অতম্না নোংমৈ কাপখিবা লৈতে'

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচএনএস):

হৌখিবা মে ১৬তা বারুনি চীংদা থোকখিবা থৌদোক অদুদা মোংজম পোইরৈহেনবনা কনাগুম্বা মীওই অমত্তদা অতম্না নোংমৈ কাপখিবা লৈতে হায়না য়ৌরবুং য়ুথ ক্লবকী সেক্রেটরি এম মোরাবা, য়ৌরবুং দিভেলপমেন্ট কম্মিটিগী সেক্রেটরি এ নেপোলিয়ন অমসুং ইমা থম্বাল লাইরেম্বী য়ৌরবুংগী প্রসিদেন্ট এস ঐচ মেম্মীনা পুন্না খুৎয়েক পীরগা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, হৌখিবা মে ১৬তা মোংজম পোইরৈহেনবগী ইমুং-মনুং পুন্না বারুনি চীংদা লাই খুরুম্বা চৎখি। লাই খুরুম্ফমদা অন্দ্রোগী নহা ১৫ রোম্না লাক্লগা লাউ-খোংবা অমদি ফজদবা ৱাহে-ৱাতা কয়া শীজিন্নরকখি। মসিগী মতুংদা মোংজম পোইরৈহেনবগী ইমুং-মনুংনা য়ুমদা হল্লকপগী লম্বীদা মীওই ১৫ রোম্না চৈ, থাঙ পায়দুনা নাওরি কাপশিল্লক্তুনা লম্বী থিংখি। অদুগা এম পোইরৈহেনবগী মচা থোকপা অমা ফাজিনখি। অদুগা হঙ্গামপাল মচুগী ফুরিৎ লিৎপা নহা অমনা থাঙনা হাৎলগে মতাগুম্না হাইথরকপা অদুদা মোংজম পোইরৈহেনবগী নুপী-অঙাং, ইমুং-মনুং কন্ননবা হোৎনবদা ব্লেঙ্ক ফায়র তৌখিবনি। কনাগুম্বা অমত্তদা অতম্না নোংমৈ কাপ্পা লৈখিদে। অদুগা কনা অমত্তদসু খুৎ থাখিবা লৈতে।

থৌদোক অদুগী মতাংদা কনাগুম্বা খরনা মীদিয়াদা য়ুম্ফম য়াওদবা অরানবা পাউ শন্দোক্তুনা পোইরৈহেনববু অরানবা তাহন্ননবা হোৎনরিবা অসি তৌবীগনু। থৌদোক অদুগী অচুম-অরান পুম্নমক পুলিস অমদি কোর্টনা পুথোকচসনু। মখা তানা অরানবা পাউ শন্দোক্তুনা হেন্না মীংচৎ থিহন্ননবা হোৎনরক্লবদি য়ৌরবুং য়ুথ ক্লব, ইমা থম্বাল লাইরেম্বী য়ৌরবুং অমদি য়ৌরবুং দিভেলপমেন্ট কম্মিটিনা চপ চাবা পাউখুম পীননবা শেম-শাদুনা লৈ হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

'খম-থেংনা অৱাবা মায়োক্লরে'

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচএনএস):

কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক্না মরম ওইরগা লৈঙাক্কী অথিংবা লৈবনা মপান থোক্তুনা শেল তনবা য়াদ্রে। মরম অসিনা নোংমগী শুর-নোল্লগা চারিবা লায়রবা মীয়াম খম-থেংনা অৱাবা মায়োক্লরে। মসিদগী হেন্না অৱাবা কন্দায়দা লৈরিবগে হায়না ওল মণিপুর নুপী মরুপকী সেক্রেটরি এন প্রেমিলানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, কোভিদ-১৯গী অহানবা ৱেভ মতমদা লৈঙাক্না মীপুম খূদিংগী নফসাগী কার্দ পায়বা পায়দবা থিদনা চেঙ পীখিবগুম অনীশুবা ৱেভকী মতম অসিদসু প্রাইম মিনিষ্টর যোজনাগী চেঙ মীপুম খূদিংদা ফংহনবীয়ু। লমদম অসিদা নফসাগী কার্দ পায়দবা লায়রবা ইমুং কয়া লৈরি হায়বসি কাউবীদবা ফৈ হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

লিশমলোক অমসুং চাওবোক কবুইদা তেংবাঙ পীখ্রে

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচএনএস): ৱাংখেম এ সীগী মনুং চন্না লৈবা চীংমী ইচিল-ইনাওশিংনা খুন্দাবা লিশমলোক অমসুং চাওবোক কবুইদা ঙসি সোসল ৱর্কর খারিবম জিবননা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙ পীখ্রে।

তেংবাঙ পোৎলম পীবা অদুদা শরুক য়াখিবা লাক্কদৌরিবা এসেম্ব্লী মীখলদা মীরেপ ওইগনি হায়না থৌরাং তৌরিবা সোসল ৱর্কর খারিবম জিবননা হায়খি, কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবা হোৎনবদা লৈঙাক্না থল্লিবা কর্ফিয়ুনা মরম ওইরগা চীংদা খুন্দারিবা ইচিল-ইনাওশিংনা অৱাবা কয়া মায়োক্লরমগনি খন্দুনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং অসি পীজবনি। চিরবা মতম অসিদা ঐখোয় অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন থম্মিন্নদুনা অমনা অমগী মতেং পাংনদুনা লাইচৎ অসি লাকশিন্নবা হোৎনসি হায়না মীয়ামদা অপীল তৌখি।

লিশমলোক ভিলেজগী হেদমেন রিমেম্বর অমোনা ফোঙদোরকপদা, লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা চত্থরিবা কর্ফিয়ু অসিনা চীংদা খুন্দারিবশিংদা ৱাবগী মতোল লোল্লে। অসিগুম্বা মতম অসিদা করি চারমগনি খনবীদুনা ঙসি চান-থক্লবা তেংবাঙ পীবীরবা অসি পূক্নিং নুংশিবা ফাওই। খারিবম জিবননা তৌরু তৌরুবা খূদিংমক মপুনা থৌজনবীবা ওইসনু হায়বা ৱাফমসু থল্লকখি।

অৱাবা ফোঙদোক্লরক্লি

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচ এন এস):

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা ২৫-ওইনাম এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ ওইরম্বা দা. ইরেংবম ইবোহলবীনা ইখঙ খঙহৌদনা থাসিগী ২০দা লৈখিদবদা য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট মণিপুর (য়ু এফ এম)না থম্মোয় শোক্না নুংঙাইতবা অমদি অৱাবা ফোঙদোকচরি হায়না য়ু এফ এমকী কনভিনরনা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, দা. আই ইবোহলবী য়াম্না ঈং-তপ্পা, পূকচেল চাওবা, কখোকপা, লেজিসলেচর অমা ওইনা হাউসকী দেকোরম ঙাক্না মথৌ পাঙথোকখিবা অথোইবা লেজিসলেচর অমনি। মণিপুরগী অচঙবা পোলিটিকেল এক্টিভিষ্ট অমা লৈখিদবা অসিনা মেনখৎপা ঙমদনা মাঙজরবনি। য়ু এফ এমনা ঈশ্বরগী মফমদা লৈখিদ্রবী আত্মানা শান্তি ওইনা লৈরুনবা থৌনিজরি লোয়ননা ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি।

ইন্দিয়াগী ৭শুবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বা রাজিব গান্ধি লৈখিদবগী ৩০লকশুবা চহীগী কুমওন লাকপদা য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট মণিপুরনা ইকায় খুম্ন বা উৎচরি। ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী নহা ওইখিবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইখিবা রাজিব গান্ধিগী ইকোনমিক পোলিসি, ফোরেন পোলিসি, সিক্যুরিটি পোলিসি অমসুং মহাক্কী য়াম্না দাইনামিক ওইবা পোলিসিনা ইন্দিয়া মালেমদা শক্তি লৈবা লৈবাক ওইরকখিবা ইন্দিয়া মচা খূদিংমক্কী থম্মোয়দা লেংদনা লৈরি। মালেম্না লৈরিবমখে মহাক্কী মিংচৎ লেংদনা লৈখিগনি হায়নসু য়ু এফ এমনা ফোঙদোরক্লি।

এক্স-এম এল এ ডা. আই ইবোহলবীনা খঙহৌদনা লৈখিদবা অসিদা মণিপুর পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দকী চ্যেরমেন এল রাধাকিশোরনা অৱাবা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদসু শরুক য়ারক্লি। লোয়ননা লৈখিদ্রবগী থৱায়না ঈংনা চিক্না মপুগী লৈকোলদা লৈরুনবা থৌনিজরি হায়নসু এল রাধাকিশোরনা থাদোরকখিবা অৱাবা ফোঙবগী চেরোল অদুনা ফোঙদোরক্লি।

নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া দিভেলপমেন্ট পার্টি (এন ঈ আই দি পি) মণিপুর ষ্টেটকী ভাইস প্রসিদেন্টকী থৌ পুরম্বা ডা. আই ইবোহলবীনা লৈখিদবদা এন ঈ আই দি পিগী মায়কৈদগীসু থম্মোয় শোক্না অৱাবা ফোঙদোকচরি। লৈখিদ্রবগী থৱায়না তাইবং মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্না লৈরুনবা থৌনিজবগা লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়না এন ঈ আই দি পিগী প্রসিদেন্ট ডা. এন জি বিজয়না থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

রোয়ল একাদেমী ওই লো, ওইনামগী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন্নসু এক্স-এম এল এ ডা. আই ইবোহলবীনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্না লৈরুনবা থৌনিজরি হায়রি।

মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচএনএস):

খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র দিভলপমেন্ট কম্মিটিনা এম এল এ টিঐচ লোকেশ্বরগী মীৎয়েং মখাদা চান থক্লবা নোংমগী তঙায় ফদবা পোৎলম খরা মখা তানা য়েন্থোক্লি।

ঙসিসু লম্বোইখুলদা অতোপ্পা লমদা থবক শুবা চৎলুবা ক্বারান্টিন তৌদুনা লৈরিবা মীওই ৮, য়ুম্নাম পাৎলৌদা ক্বারান্টিন তৌরিবা মফম অনীগী মীওই ১৪, সগোলমাঙদা ইমুং অমা, হরাওরৌদা ইমুং মরিদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র দিভলপমেন্ট কম্মিটি (কে কে দি সী)গী স্পোক্সপর্সন এন দিজেননা লুচিংদুনা য়েন্থোকখ্রে।

আইসোলেসনগী তঙায় ফদবা লৈরকপদা 'কেন্দ্রগী এম এল এনা মমাঙদা মীয়ামদা লাউথোক্তুনা খঙহনখ্রবা মোবাইল নম্বর ৮৭৮৭৩৪৬৬৬০ অসিদা পাউ পীবিয়ু। এ সী অসিগী মীয়ামগী মতেং পাংনবা শেম-শাদুনা লৈরি হায়খি।

'হেল্থ ক্যের ৱর্করশিংগা পুন্না থবক তৌমিন্নদুনা লাক্লি'

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচএনএস):

কোভিদ-১৯না লমদমসিগী মীয়ামদা পীরক্লিবা শাথিরবা চৈথেংশিং অসি থেংননবা হোৎনবদা ঐখোয় পুম্নমক্কী থৌদাং চঙবনা মণিপুরগী অনা-লায়েংশঙশিংদা থবক তৌরিবা হেল্থ ক্যের ৱর্করশিংদা লোকল ক্লবশিংনা মতেং পাংশিনমিন্নরসি হায়বা অমুকোগী আপীল অদু হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা য়াম্না মরম চাবা ওইবনা হাওরৈবী সোসিও ইকোনোমি কলচরেল ওর্গনাইজেসন (এস ঈ সী ও)না তরাম্না ওকচবগা লোয়ননা কম্মুনিটি হেল্থ সেন্টর, হাওরৈবী মখা লৈকায়গী হেল্থক্যের ৱর্করশিংগা নুমীৎ কয়ানিগী মমাঙদগী পুন্না থবক তৌমিন্নদুনা লাক্লি অমদি মীয়ামগী পুন্সি কন্ননবা হোৎনবদা মখা তানা হনবা লৈতবা থৌনাগা লোয়ননা থবক তৌখিগনি হায়না এস ঈ সী ওগী সেক্রেটরি কে ঐচ তানবিরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, অনা-লায়েংগী হকথেংনবা থবক্না হেল্থক্যের ৱর্করশিংনা তৌরবসু অনাবশিংনা হোস্পিটালদা লাকপদা হোস্পিটালগী ষ্টাফশিংগা মিস অন্দরষ্টেন্দিং থোক্তনবা হোৎনবা, অনাবশিংদা গাইদ তৌবীবা, কোভিদ ভেক্সিন কাপ্পনবা লাক্লিবা মীয়ামদা মতেং পাংদুনা অমগা অমগা ৱারৌনহন্দনবা অমদি কোভিদ-১৯গী এস ও পি ঙাকহন্দুনা লাক্লি। মসিদসু নত্তনা লিলোং পুলিসকা খুৎশম্নরগা লম্বীদা মরম চাদনা চৎপশিং থিংবা অমদি মীয়াম্বু সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাকহনবনচিংবা কয়াসি নুমীৎ কয়ানিগী মমাঙদগী এস ঈ সী ও, লিলোং হাওরৈবী মখা লৈকায়না তৌদুনা লাকচরি অমদি অসুম্না অতৈ ক্লব ময়াম্নসু তৌমিন্নসি হায়জরি।

নন-কোভিদ পেসেন্ট কয়াসু লাকপনা মখোয়দসু অনা-লায়েংগী খুদোংচাবা ফংহন্নবা হোৎনবদা ডোক্তর, নর্সশিংগা অনাবা অমদি মখোয়গী লাকমিন্নরিবশিং অদুগী মরক্তা নীংথিনা পাউ ফাওনহনবগী থবকসু এস ঈ সী ওনা তৌজরি অমদি মখা তানসু তৌখিগনি।

কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সিদা শাথিনা খুদোংচাহন্দ্রবা মতম অসিদা লোকল ক্লবশিংনসু মাগী মাগী লৈকায়দা নৎত্রগা অনকপা মফমশিংদা লৈরিবা অনা-লায়েংশঙশিংদা থবক তৌরিবা হেল্থক্যের ৱর্করশিংদা মতেং পাংশিনদুনা থৌনা হাপ্পা অমদি মখোয়না মীয়াম্বু লায়েংবদা খুম্মাং চাউশিনহনবা চঙই। লৈকায়, খুন অমদা অনা-লায়েংগী থবক তৌরিবা হেল্থক্যের ৱর্করশিং অয়াম্বনা অতোপ্পা মফমদগী লাকপা ওইবনা লৈকায়দগী মীয়াম্না মরুওইনা ক্লব অমদি মীয়ামগী খনবশিংনা থৱায় য়াওনা হীরম খরদা মতেং পাংশিনমিন্নরসি।

অনা-লায়েংশঙশিংদা অনাবা অমদি মখোয়গা লাকমিন্নবা কয়ানা খুদক্কী ওইনা পাল্লিবা কয়াদু হোস্পিটালনা তৌবা, পীবা ঙমদবা অদুনা মরম ওইরগা পেসেন্ট পার্টি অমদি হোস্পিটালগী ষ্টাফশিংগগী মরক্তা তোয়না থোক্কনবা ৱাথোকশিং অদু থোক্তনবা ক্লবশিংনা নীংথিনা নাকল অনীগী ওইরিবা ফীভমশিং অদু অমগা অমগা খঙনহন্নবা হোৎনরসি। অনাবা অমদি লাকমিন্নরিবা কাঙবুনা লায়েংশঙশিংদা লাকপদা মখোয়গী অনিংবা অপাম্বা অদু খুদক্তা থুংহনবা পাম্বা হায়বসি মশানা তাবনি। অদুবু মদু হোস্পিটালশিংনা ঙমদবা য়াওবা, মদুদা পেসেন্ট পার্টিনা অকনবা ৱা হায়রকপদা হোস্পিটালগী কাঙবুনা নুংঙাইতবদগী শাউনবা কয়া থোক্লিবসি হৌজিক কোভিদকী লুরবা মতমসিদা ঐখোয়না থোকহন্দনবা হোৎনমিন্নরসি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

রজিভ গান্ধীগী ৩০শুবা কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা কোংগ্রেস লুচিংবা কয়ানা তেংবাঙখ্রে

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচএনএস):

লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বা রজিভ গান্ধী লৈখিদবগী ৩০শুবা কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী লুচিংবা কয়ানা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ থেংনবদা মতেং ওইননবা পোৎলম কয়া খুৎশিন্নখ্রে।

রজিভ গান্ধী লৈখিদবগী ৩০শুবা কুমওন থৌরম অসিগা মরী লৈননা সী দব্লিয়ু সীগী মেম্বরসু ওইরিবা হান্নগী দেপ্যুটি সী এম গাইখাঙমনা মহাক্কী বাবুপারাদা লৈবা ওফিসল ক্বার্টরদা ঙসি ওক্সিজেন কন্সেন্ট্রেটর ১, ফেস মাস্ক, হেন্দ গ্লোভ, হেন্দ সেনিটাইজর অমদি পোৎলম কয়া নোনেগী দি সী কে এস ঐচ রোবার্ট অমসুং সী এম ও নোনে ডা. ইদৱিন গোলমৈগী টিম অমদা খুৎশিন্নখ্রে। কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ থেংনবদা তেংবাঙ ওইননবা পোৎলমশিং খুৎশিন্নখিবা অদুদা দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীলগী মেম্বর জিনো কামৈ, দি আই ও নোনে ডা. জেন দুম, দি এফ ও নোনে নেপোলিয়ন রোংমৈ, সী সী সী নোনেগী এম ও ইন-চার্জ ডা. সোলোমোন অমসুং দি সী সী তমেংলোং অমসুং নোনেগী প্রসিদেন্ট পি ঐচ অদাইসু শরুক য়াখি। লোয়ননা হান্নগী দেপ্যুটি সী এম গাইখাঙমনা এম্বুলেন্স অমসু অথুবা মতমদা খুৎশিন্নরগনি হায়বগী থাজবা পীখি।

মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সী সী)গী প্রসিদেন্ট গোবিন্দাস কোন্থৌজমগী মীৎয়েং মখাদা বিষ্ণুপুর ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিনা শীন্দুনা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর রজিব গান্ধী লৈখিদবগী ৩০শুবা কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা এম এল এ গোবিন্দাস কোন্থৌজমগী মীৎয়েং মখাদা এ সী অসিগী মনুংদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল বিষ্ণুপুর, কোভিদ ক্যের সেন্টর বিষ্ণুপুর অমদি কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন নিংথৌখোংগী ডোক্তর, নর্স, মেদিকেল ষ্টাফশিং অমদি কোভিদকী অনাবশিংদা ঙসি অয়ুক্কী চাক্লেন অমা পীজখিবগা লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী শীজিন্ননবা ওক্সিজেন কন্সেন্ট্রেটর অমা সী এম ও বিষ্ণুপুর ডা. এল গোজেন্দ্রোগী খুথাংদা খুৎশিন্নখ্রে। ওক্সিজেন কন্সেন্ট্রেটর খুৎশিন্নখিবা অদুদা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল বিষ্ণুপুর মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ডা. এন বিনো অমদি বিষ্ণুপুর ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী থৌমী কয়াসু শরুক য়াখি।

অমরোমদা, লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বা রজিব গান্ধী লৈখিদবগী ৩০শুবা কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা ক্ষেত্রিগাও এ সীগী এক্স -এম এল এ অমিন শাহগী মীৎয়েং মখাদা ক্ষেত্রিগাও ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিনা শীল্লগা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা কন্টেনমেন্ট জোন ওইনা লাউথোকখ্রবা এ সী অসিগী মফমশিংদা লৈরিবা ইমুংশিংদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙ ওইনা পীখ্রে। অমিন শাহনা লুচিংদুনা ঙসি ক্ষেত্রিগাও এ সীগী মনুং চন্না লৈবা তোপ দুসারা, তোপ খাবম, ক্ষেরগাও, কৈখু মুস্লিম, কৈখু ময়াই লৈকায়, বামোন কম্পু অমসুং ইরিলবুংনচিংবা মফমশিংগী কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈরিবা ইমুংশিংদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং অদু তেংবাঙখিবনি।

অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচ এন এস) :

পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপূনবা মণিপুরগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি ওইনা মতম শাংনা লৈবাক মীয়ামগী থৌদোক ৱাথোক কয়াদা ইচঙ থৌনা শরুক য়ারকখিবী খোয়াথোং পোলেম লৈকায়দগী আর কে সনাহনবীনা হৌখিবা মে ২০দা লৈখিদবদা পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপূনবা মণিপুর, ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো), ওল মণিপুর ৱিমেন্স ভলন্টরি এসোসিএসন (অম্মৱোভা) অমদি কোহরগী লুচিংবশিংনা কোভিদ-১৯গী এস ও পি ঙাক্না মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না লূপশিং অসিনা পুন্না থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, আর কে সনাহনবীনা খঙহৌদনা লৈখিদবা অসি পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপূনবা মণিপুরগী মাঙজবা খক নত্তনা মণিপুর মীয়ামগীসু মাঙজবনি। মহাক্না লৈখিদবদা মহাক্কী ইমুং-মনুং, মরী-মতা, খঙন-চান্নবশিংনা নংহৌরিবা অৱাবদা শরুক য়াজবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্না লৈরুনবসু থৌনিজরি হায়রি।

মেকোলা পি ঐচ সীদা সেনিটাইজর, মাস্ক, গ্লোভ, সোদিয়ম হায়পোক্লোরাইট খুৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচএনএস):

লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট জে পি নাদ্দাগী মীৎয়েং মখাদা লৈবাক্কী মফম কয়াদা পাক শন্না হৌদোকখ্রবা সেভা হি সংঘথনগী শরুক অমা ওইনা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ষ্টেট এগজিক্যুটিভ মেম্বরসু ওইরিবা নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী এক্স-এম এল এ, আর কে আনন্দনা মেকোলাদা লৈবা প্রাইমারী হেল্থ সেন্টরদা চৎতুনা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ থেংনবদা শীজিন্নগদবা হেন্দ সেনিটাইজর, ফেস মাস্ক, গ্লোভ অমদি সোদিয়ম হায়পোক্লোরাইটনচিংবা পোৎলম কয়া পি ঐচ সী অসিগী ষ্টাফশিংদা খুৎশিন্নখিবগা লোয়ননা পি ঐচ সী অদুদা কোভিদ ভেক্সিন কাপ্পা লাকপা মীওইশিংদসু চান-থক্লবা পোৎলম অমদি মাস্কশিং য়েন্থোকখ্রে।

পোৎলমশিং খুৎশিন্নখিবা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী কিষান মোর্চাগী ভাইস প্রসিদেন্ট মুতুম দিনেশ্বর য়াওনা মোর্চাগী মরুওইবা থৌ পুবশিং অমদি বি জে পি নাওরিয়া পাখংলাকপা মন্দলগী থৌ পুবা কয়াসু শরুক য়াখি।

তেংবাঙ পোৎলমশিং খুৎশিন্নখিবগা লোয়ননা এক্স-এম এল এ, আর কে আনন্দনা হায়খি, নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী মনুং চন্না মেকোলাদা লৈরিবা পি ঐচ সী অসি কম্মুনিটি হেল্থ সেন্টর (সী ঐচ সী)গী থাক্তা অপগ্রেদ তৌরবনি। লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট জে পি নাদ্দাগী লমজিং মখাদা ঙসিদগী বি জে পি কিষান মোর্চানা সী ঐচ সী কয়াদা চৎতুনা তমথিরবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎতগী ঙাকথোক্লবা অমদি লায়না অসিনা শোকহল্লবা মীয়ামদা তেংবাঙবগী কেম্পেয়ন অসি নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীদসু মায় পাক্না চত্থদুনা মীয়াম্না লায়না লাইচৎ অসিবু মায়থীবা পীনবা পুন্না হোৎনসি। লায়না লাইচৎ অসিদগী কন্ননবা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমদি বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট জে পি নাদ্দাগী লীচিং মখাদা তোঙান তোঙানবা মখলগী কেম্পেয়ন কয়া চত্থদুনা লাক্লি। নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী ওইনসু মীয়াম্বু কোভিদ-১৯দগী কন্ননবা অমদি লায়না লাইচৎ অসিবু মায়থীবা পীননবা পান্দম অমগী মখাদা ঙসিদগী সেভা হি সংঘথনগী কেম্পেয়ন অসি হৌদোকপনি। লোয়ননা কোরোনা ফ্রী ওইবা লমদম অমা ওইহন্ননবা মখা তানসু হোৎনবা য়াবশিং হোৎনখিগনি। মীয়াম্না হৌজিক কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভনা পীরকপা চৈথেং কয়া মায়োক্লরি। এক্সপার্টশিংনা ফোঙদোকপগী মতুংইন্না কোভিদকী অহুমশুবা ৱেভকী চৈথেংসু মায়োক্লগনি হায়রি। মরম অসিনা মীয়াম্না হেন্না চেকশিনবা মথৌ তাই। লোয়ননা লায়না লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্ননবা চৎন-কাঙলোনশিং মীপুম খূদিংনা ঙাক্না চৎমিন্নসি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

তুংদা এক্স-এম এল এ, আর কে আনন্দনা মেকোলা গুলাপ হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা হাংলিবা কোভিদ ক্যের আইসোলেসন সেন্টরদা চৎতুনা শেলগী তেংবাঙসু পীখি।